# বাংলাদেশকা নক্নবা মরী থম্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বনধন এক্সপ্রেস ট্রেন লমথাখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ৯ ঃ***
ইন্দিয়াগী কোলকাটা অমসুং বাংলাদেশকী খুলনাগী মরক্তা ঙমখৈ লান্না চেনগদবা বনধন এক্সপ্রেস ট্রেন ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মহাক্কা ফম মান্নবা বাংলাদেশকী লুচিংবী সৈখ হশিনা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা পূন্না ভিডিও পনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা লমথাখ্রে।

বাংলাদেশকী খা-নোংচুপ থংবা ইন্দষ্ট্রি কয়া লৈরিবা খুলনাদগী লৈবাক অনীগী ঙমখৈ লান্না চেনগদবা ট্রেন অদু ঙসি হৌনবী মতূং ইন্না লমথাখ্রে।

নীং-খা তম্বগী মতমদা খায়দোক্লখ্রবা লৈবাক অনীগী মরক্তা অমুক হন্না পুন্সিন্নবগী পান্দমদা চখোক-চৎশিনদা হেন্না খুদোং চাহন্নবগীদমক অখন্নবা ট্রেন অদু লমথাখিবনি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লৈবাক অসিগী লিরবা পুৱারীদা মীয়াম পূন্না লৈমিন্নরম্বা থেংনৈ। তোঙান তোঙানবা লৈবাক অমমম ওইনা খায়দোক্লখ্রবা মতূং অমুক হন্না হান্নগী মরী অদু হঞ্জিহন্নবা থৌশিল অসি পায়খৎপনি।

বঙ্গালি লোলদা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, লৈবাক অনীগী মীয়ামবু অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ঙসিগী থৌরম অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না চেংশিনহল্লগনি। ঙসি হায়বা নুমিৎ অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনবা মরীগী খ্বাইদগী ফবা নুমিৎ অমা ওইরগনি।

ট্রেন সার্ভিস অসিনা তোঙান তোঙানবা ঙমখৈ মনুংদা লৈখ্রবা মীয়ামশিংগী মঙলান মঙফালনবা ঙমহল্লগনি হায়না বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হশিননা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়, ঙসিগী থৌরম অসি ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী মরক্তা ঈতিহাস ওইরগদবা নুমিৎ অমা ওইবত নত্তনা বঙ্গালি লোল ঙাংবা অমসুং ঙমখৈ খায়দোক্লবা মতমদা তোখায় তোখায় তাহনখ্রবা বঙ্গালি মীয়ামগী মরক্তা অমুক হন্না পুনশিনহন্নবগী শীংথানিঙাই ওইবা নুমিৎ অমা ওইরগনি।

বনধন এক্সপ্রেস চয়োল অমদা অমুক্তমক চেনগনি। কিলোমিটর ১৭৭ শাংবা লম্বী অদু পুং ৪.৩০ গী মনুংদা চেন্দুনা মীওই লীশিং কয়া পুথোক-পুশিন তৌগনি। ঙসি লমথাখিবা ট্রেন অদু মপুঙ ওইনা নভেম্বর ১৬ তগী চেনবা হৌগনি। এয়ারকন্দিসন ওইরগদবা ট্রেন অদুদা সিট ৪৫৬ লৈগনি।

ইং ২০০৮ দা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকটা ফাওনা চেনগদবা মাইত্রি এক্সপ্রেস লমথাখিবা লৈখ্রে। অদুগুম্বা ট্রেন অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চেনবা মতমদা পুং ১০ হেন্না চঙগনি। অদুম ওইনমক নৌনা সার্ভিস তৌননবা অমদি ঙসি লমথাখ্রবা ট্রেন অদুনদি ঙমখৈ লান্না সার্ভিস তৌবদা পুং ৪.৩০ রোমতমক চঙলগনি হায়রি।

হৌজিক বনধন এক্সপ্রেসকী চেনগদৌরিবা রেলৱে ট্রেক অদুদা হান্ননা লমথাখ্রবা মাইত্রি ট্রেনসু চেনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়রি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা ট্রেন চেনবগী মওং হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা লৈবাক অনীনা শম্নবা য়াবগী খুদোংচাবা অদুদি বনধন এক্সপ্রেসনা পীরগনি হায়রি।

# কলম্বিয়া পুলিসনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা কোকাইন টন ১২ ফারে

***বোগোটা, নভেম্বর ৯ ঃ***
কলম্বিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা পুলিসনা কোকাইন টন ১২ অমুক্তদা ফাগৎপা ঙমখ্রে। দ্রগশিং অদু লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা লফু থাবা লৌবুক মরিদা ফুমজিন্দুনা থল্লমখিবনি। হায়রিবা মফম অদু য়ু এস তা হুরানপোৎ কয়া পুশিনবগী মরু ওইবা লম্বীগা নক্ননা লৈবা মফমনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট জুৱান মানুৱেল সন্তোসনা ফোঙদোরকখিবদা লৈবাক অসিগী পুলিসনা অমুক্তদা খ্বাইদগী য়াম্না দ্রগ ফাগৎপা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরে। দ্রগ ললোনবা খূৎপু মরু ওইনা গল্ফ লমদমমদা খ্বাইদগী শক্তি লৈবা কাঙবু অমগী মথক্তা চথবা ওফেনসিফ অমগী শরুক অমা ওইনা য়াল্লবা দ্রগশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না দ্রগশিং অদু দাইরো উসুগা কৌবা কাঙবু অমগী ওইগনি। কাঙলূপ অদু ওটোনিল হায়রগসু খঙনবা মীওই অমনা লুচিংবনি হায়রি।

কলম্বিয়াগী খ্বাইদগী তমথিবা ক্রিমিনেল ওর্গনাইজেসন অদুগী মথক্তা চথবা মায় পাকপা ওপরেসন অমনি। ওটোনিল ফাননবা চহী কয়াগী মমাঙদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না মালেমগী কৈথেলদা দোলর মিলিয়ন ৩৬০ গী ওইগদবা দ্রগশিং অদুগা কোন্ননা মীওই মরি ফারে।

এন্টিকিয়াদা হৌখিবা থা অনীগী মমাঙদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কোকাইন টন ২০ ফাখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতূং হন্দক য়াল্লবা দ্রগশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। কলম্বিয়াগী ওইনা হন্দক ফারিবা দ্রগ অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি।

রাইট ৱে পার্লিয়ামেন্টরি গ্রুপকা মরী লৈনরমগনি চিংনবা গল্ফ প্লাননা ইং ২০০৬ তগী পিসদিল য়াওননবা হোৎনরকখিবা লৈখি। ওটোনিল হায়রিবা মীওই অদুনা মহাক রাজনিটিদা অমুক হল্লকপা পাম্বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখি। সেপ্টেম্বর থাদা গেং খূৎপুগী লুচিংবা অদুনা লৈঙাক্তা মহাক হান্নগী পুন্সিদা হল্লকপা পাম্বগী ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

লৈঙাক্লা হায়, গেং খূৎপু অদুগী মীওইনি। ১৫০০ চৎলিবা চহী অসিদা ফাগৎপা ঙমখ্রে। অদুগা গেং খূৎপু অদুগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দনা সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্লবদা হাৎখ্রবনি হায়রি।

মখোয়গী লুচিংবা অমা হাৎখিবা অদুনা খূৎপু অদুদা অচৌবা চৈফু অমা পীখি। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা কয়া লাকহনখি হায়রি।



কলম্বিয়া পুলিসনা ফাগৎখ্রবা য়াল্লবা দ্রগশিং দিসপ্লে তৌবা

# য়েমেনদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা শাথিবা চাক তাংবা থোকপা য়াই হায়না য়ু এন না ৱার্নিং তৌখ্রে

***সানা, নভেম্বর ৯ ঃ***
য়েমেননা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শাথিবা চাক তাংবগী থৌদোক থোক্লবা য়াই। ফিভম অদুনা মীওই মিলিয়ন কয়া ভিক্টিম ওইহল্লগনি হায়না য়ু এন না ৱার্নিং তৌখ্রে।

লালগী চৈথেং ফংলবা লৈবাক অদুদা হান্নগুম্না অমুক হন্না মতেঙ পীদ্রবদি শাথিবা ফিভম অদু মায়োক্লরগনি হায়না য়ু এন গী অন্দর সেক্রেটরী জেনরেল (হ্যুমেনিটরিয়ন) মহাক লোকোকনা ফোঙদোরকখি।

সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুনা লালগী চৈথেঙ ফংলবা লৈবাক অদুদা থল্লিবা ব্লোকেট লৌথোক্লবসু লুচিংবা অদুনা অপিল তৌরক্লি। হাউদি রিভেলশিংনা সাউদি আরাবিয়াগী কোনুং রিয়াধতা মিসাইল কাপশিল্লকখিবা মতূং চুঙশিন্নবা কাঙবু অদুনা য়েমেনদা নোংথক, লৈমায় অমসুং সমুদ্রগী লম্বীশিং থিংজিনখিবনি।

সাউদিগী কোনুং মনাক্তা লালহৌবশিংনা কাপশিল্লকখিবা বেলিষ্টিক মিসাইল অদু ইন্টরসেক তৌবা ঙমখিবনি। সাউদি আরাবিয়ানা থৌদোক অদুগী মতূংদা ফোঙদোরকখিবদা ইরাননা য়েমেনগী রিভেনশিংদা খূৎশু-খূৎলাই থাজিল্লকপা থিংননবগী পান্দমদা ব্লোকেট অদু চথখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ইরালনা হায়, য়েমেনগী রিভেনশিংদা খূৎশু-খূৎলাই পীবগী ৱাফম লৈতে। সাউদিনা শিরক্লিবা মরাল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, ইং ২০১৫ দগী সাউদিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা কাঙবুদা য়াওদুনা য়েমেনদা রিভেনশিংগী মথক্তা লাল চখরকখিবনি হায়খি।

মোকোক্কী মতূং ইন্না য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফমনা য়েমেনদা ওইরিবা ফিভম অদু কুপ্না খন্নখি। য়েমেনদা হৌজিক চথরিবা ব্লোকেট অদু হন্দোক্তবদি মালেমগী ওইনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চাক তাংবগী শাথিবা ফিভম অমা থোকহল্লগনি। খ্বাইদগী তমথিবা চাক তাংবা অদুনা য়েমেনদা লৈবা মীওই মিলিয়ন কয়া অৱাবা নংহল্লগনি হায়খি।

মমাঙ চয়োলদা য়ু এন অমসুং রেদ ক্রোসনা য়েমেনদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন কয়াদা অচৌবা চৈথেং পীরে। মখোয়গী হিংননবগীদমক মতেঙ পীবদা অচৌবা শিংনবা অমা থোক্লে।

রেদ ক্রোসনা হায়, লমদম অদুদা কোলেরা শন্দোরক্তুনা মীওই লাক্ষ ৯ লোম অৱাবা নংখ্রবা মতূং লাইচৎ অদু থিংননবা ঈশিংগী লম্বীদা হিদাক লাংথক পুশিন্নবা হোৎনবদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

হৌজিক হৌজিকমক য়েমেনগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৭ লোম চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লরবনি হায়রি।

# মধ্য প্রদেশকী চিত্রকুট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখলদা খুঙ্গং অনী ভোট থাদখিদ্রে

***ভোপাল, নভেম্বর ৯ ঃ***
মধ্য প্রদেশ চিত্রকুট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী খুঙ্গং অনীনা বোয়কোট তৌবগা লোয়ননা ভোট থাদখিদ্রে। খুঙ্গং অদুদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক মতম শাংনা পায়খত্তনা লাকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীখল অদু বোয়কোট তৌখিবনি হায়রি।

বিরহানা অমসুং বিচিয়ানা খুঙ্গংগী খুঞ্জাশিংনা সাটনা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিদা মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রে। করিগুম্বা ওথোরিটিনা খুঙ্গংশিং অদুগী তঙাই ফদবা লম্বী-থোং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎত্রবদি মীখল অদু বোয়কোট তৌগনি হায়খিবনি।

খুঞ্জাশিংনা লমদম অদুগী লম্বী-থোং অমসুং স্কুল অমদি শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎত্রবদি মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনগনি হায়না খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি হায়না মধ্য প্রদেশকী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার সালিনা সিংহনা ঙসি ভোপালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না খুঞ্জাশিং অদুদা মীখল অদুবু শরুক য়াবিনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। হান্না লেপখিবা মতমগী মতূং ইন্না চিত্রকুট এসেমব্লি সিটকী মরক্কী মীখল পাঙথোকখি। মীখল অদুদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতূং পুং অমা ফাওবদা ভোটর চাদা ৩৩.৮ ফাওবগী চাংদমক ভোট থাদবা থেঙনখি। হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবদগী ভোট থাদনবা হৌখি।

উত্তর প্রদেশকী ঙমখৈগা তায়ননা লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা মীরেপ ওইরিবা কংগ্রেসকী নিলনসু চতুরবেদি, বি জে পি গী মীরেপ সঙ্কর দয়ান ট্রিপাথি অমসুং তোঙান তোঙানবা পার্টি ১০ গী মীরেপশিং মীখল অদুদা থেঙনখি। কংগ্রেসকী এম এল এ প্রেম সিংহ (৬৫) লৈখিদ্রবা মতূং কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবনি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা ভোটর লাক্ষ ১.৯৮ লৈরি। পোলিং বুট ২৫৭ দা ভি ভি পেট মেছিন শীজিন্নদুনা পোলিং ষ্টেসন ২৫৭ হাংদোকখি।

মধ্য প্রদোকী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহান, উত্তর প্রদেশকী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কেসব প্রসাদ মৌরিয়া অমসুং বি জে পি গী এম পি নন্দকুমার চৌহাননা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা অকনবা মওংদা ভোট খোন্বগী থবক চথখি হায়রি।

# অসাম পুলিসনা মেঘলায়াদা ত্রেনিং তৌনবা লাকখিবা মিলিটেন্ট মঙা ফারে

***মোরিগাও, নভেম্বর ৯ ঃ***
অথিংবা থমখ্রবা টিৱা লিবরেসন আর্মি (টি এল এ)গী সেল্ফ ষ্টাইন কম্মান্দর অমা অমসুং গারো নেসনেল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ) কাদর অহুম মেঘলায়াগী শালান লমদমদগী ফারে হায়না অসাম পুলিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অকক্লবা পাউ অমগী মতূং ইন্না মোরিগাও দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অখন্নবা টিম অমা অমসুং মেঘলায়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎশম্নদুনা চথখিবা ওপরেসন্দা ঙরাং নুমিদাং লালহৌবশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়না মোরিগাওগী এস পি স্বাপনানিল দেকানা ফোঙদোরক্লি।

মিলিটেন্টশিং অদু মেঘলায়াগী সালাং লমদমদা ত্রেনিং তৌননবা লাকখিবনি। ফারবা টি এল এ গী সেল্ফ ষ্টাইন কম্মান্দর মোটিলাল দেৱারি টিৱা ওটোনোমস কাউন্সিলদা লৈবা মীওই কয়াদা শেলখাই-থুমখাইগী থবক চথবা মীওইনি। মহাক্লা টিৱা ওটোনোমস কাউন্সিলগী চীফ এক্সিক্যুটিভ মেম্বর পবল মন্তাদা লুপা লাক্ষ ৫০ গী দিমান্দ তৌরমখিবা লৈ হায়না এস পিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চীফ এক্সিক্যুটিভ মেম্বরনা পুলিসতা ৱাকৎলকখিবগী মতূং ইন্না পুলিসনা এফ আই আর অমা লৌখৎতুনা মিলিটেন্টশিং অদুগী মথক্তা ওপরেসন চথখিবনি। ফারবা লালহৌবশিং অদুদি মোটিলাল দেওরি, টি এল এ গী কাদর সৌরপ দেকা, মেঘলায়াদা বেজ তৌবা জি এন এল এ গী কাদর কাসাং এ মরক, স্মার্ট এ মরক অমসুং আরৱিং এ মরকনি হায়রি।



*দিল্লিদা পোলুসনগী চাং কিনিঙাই ওইবা মওংদা ৱাংখৎলকপ্রবা মতূং ফিভম অদু লাকশিন্নবা দিল্লি লৈঙাক্লা চৎলিবা থা অসিগী ১৩ নোংমাইজিং নুমিত্তগী ওদ-ইভন নম্বর গারীশিং চৎহলনবগী থৌশিল অমুক হন্না পায়খৎনবা শেম-শাখ্রে, হৌজিক ওইরিবা দিল্লিগী কা-হেন্না চিল্লবা লম্বীগী ফিভম*

# হিমাচল প্রদেশকী মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকখ্রে ভোটর চাদা ৭৪ না ভোট থাদখ্রে



***সিমলা, নভেম্বর ৯ ঃ***
মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম) লান্না শীজিন্নৈ হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবা মতূং ঙসি হিমাচল প্রদেশকী ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা অদুগুম্বা মরাল শীরকপা নৎত্রগা খুদোংচাদবা অদু লৈহন্দনবগী পান্দমদা ভি ভি পেট মেছিন পাক শন্না শীজিন্নদুনা মীখল পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ষ্টেট অদুদা পাঙথোক্লিবা মীখল অদুদা ভোটর চাদা ৭৪ না ভোট থাদনখি। সির্মু দিষ্ট্রিক্তকী মফম অমদা ভি ভি পেট মেছিন য়াদবনা মরম ওইরগা অয়ূক্কী পুং ৮ দগী ভোট থাদনবা হৌগদবা অদু মিনিট ২০ লোম চোম্থনা ভোট থাদবা হৌখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোট থাদননবা থমখিবা ই ভি এম অমসুং ভি ভি পেট মেছিনদা অশোয়বা লাকপদগী ই ভি এম ৫৮ অমসুং ভি ভি পেট মেছিন ১০২ শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌখি হায়রি।

মেছিনশিং য়াদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখ্রবা মফমশিং অদুদি উনা, মন্দি, সোলাল, কঙ্গ্রা অমসুং সিমলা লমদমশিংনি হায়রি।

ষ্টেট অদুগী ভোটর লাক্ষ ৫০.২৫ কী মনুংদা লাক্ষ ১৯ না নুপীনি অদুগা লাক্ষ ১৪ না ট্রান্সজেন্দরশিংনি হায়রি। মীওইশিং অদুনা ষ্টেট অদুগী ভোটরশিংগী মরাইবক লেপ্পগনি। চীংগী লমদম অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা লাহুল-স্পিটি দিষ্ট্রিক্তদা ভোটর ১৯৪ লৈ। মখোয়গীদমক সমুদ্র ঈস্রাদগী ফুট ১৪,৫৬৭ ৱাংবা মফম অদুদা পোলিং ষ্টেসন কয়া হাংদুনা মীয়ামদা ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা পীখি।

কা ভিলেজদা শুপ্পতংগী মীওই ৬ খক্তমক ভোটর ওইরি। মদুগীদমক পোলিং বুট অমা হাংদুনা থমখি। নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৫ ফাওবা ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা পীখি। টিবেটকা তায়ননা লৈবা মফম কয়াদা টিবেট মচা কয়া ইন্দিয়াগী মীখল অসিদা শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগুম্না মখোয়সু মনিং-মখা তম্না ভোট থাদবা পাম্লি। টিবেটতগী চেলক্তুনা হিমাচল প্রদেশকী অনীশুবা কোনুংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই কয়া ভোট থাদবগী হক ফংহনখ্রে। মীওইশিং অদুনা হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা লৈরবসু মীরেপ ওইবগী খুদোংচাবদি ফংদ্রি। মীওই লীশিং ১ রোম ধর্মসালাদা লৈরি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা চহী ১০০ শুরবা শ্যাম সরন নেগি কৌবা মীওই অমনা চহী খ্বাইদগী য়াম্বা ভোটর অমনা ভোট থাদবগী রেকোর্ট থমখ্রে।

# এন এস সি এন (কে) থাজবা মাঙলে, লান্মীনা ষ্ট্রাইক চখরক্কনি হায়বগী নীংহন্নবা লূপসিদা ফাওরে

***শিল্লোং, নভেম্বর ৯ ঃ***
সেনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-খপলাং (এন এস সি এন-কে) থাজবা মাঙলবা লূপ অমা ওইরে। ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈ পরীংদা লৈরিবা মীয়াম্না মখোয়দা অকিবা লৈত্রে হায়না ইন্দিয়ান আর্মিগী পি আর ও দিফেন্স (গুৱাহাটি) লেফটিনেন্ট কর্নেল সুনিট ন্যুটননা ফোঙদোরক্লি।

ন্যুটননা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ঙমখৈ পরীংদা লৈবা মীয়াম্না কিবদগী লালহৌলূপ অদুদা মতেঙ পীরমখিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক্তি অরুনাচল প্রদেশ অমদি ম্যান্মারগা তায়নরিবা ষ্টেটশিংদা লৈবা মীয়াম্না মখোয়দা অকিবা ফাওদ্রে। মীয়াম্না মখোয়গী মায়োক্তা খোল্লাও লাওবা হৌরক্লে। হৌজিক লমদম অদুগী মীয়াম্না লালহৌলূপ অদুদা অকিবা ফাওদ্রে। মখোয়না শান্তি পাল্লবদি মীয়াম মাঙদা চোংথোরক্কদবনি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক-থৌরম কয়া পায়খৎলে। মীয়াম্না হৌজিক অদুগুম্লবা শান্তি পুরক্লবগী খোঙথাং অসিদগী নাম্থোকপা পামদে। চৈরকসিদা লালহৌলূপ অদুনা মীয়ামদা অকি-অখঙ পীরকপা থিংননবা চপ-চাবা থবক পায়খৎলে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লেফটিনেন্ট কর্নেল ন্যু দিল্লিনা মখা তানা হায়, এন এস সি এন-কে না মখল-মখাগী থৌশিল কয়া পায়খত্তুনা মীয়ামদা অকি-অখঙ পোকহন্দুনা শেনখায়-থুমখায় কয়া চথরক্কদ্র হায়বগী মীপায়বা মীয়ামদা ফাওরি। অদুম ওইনমক ঙমখৈ পরীংশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মখোয়গী মীওৎ মীনৈ অদুগী মায়োক্তা ফোংনা থোক্লত্তুনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অরুনাচল প্রদেশকী ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈ পরীংদা লৈবা নিৱাওসা খুঙ্গংদা লৈবা মীয়াম লালহৌলূপ অদুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী অকি-অখং পোকহন্দুনা লাকখি। খুঞ্জাশিং অদুনা হৌজিক্তি লালহৌলূপ অদুগী কাদরশিং খুঙ্গং অদুদা চঙহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

লালহৌবশিং অদুনা খুঞ্জাশিং অদুবু হ্যুমেন সিল্ড ওইনা শীজিন্নখি। ওক্টোবর ১০ দা লালহৌলূপ অদুনা ইন্দিয়ান আর্মিগী মথক্তা এতেক্ট চখরকখিবা লৈখি। লোংদিং দিষ্ট্রিক্তা চখরকখিবা এতেক্ট অদুদা এন এস সি এন (কে) না খুঞ্জাশিংবু হ্যুমেন সিল্ড ওইনা শীজিন্নখি হায়বগী খুদম লৈ হায়রি।

GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 02/07/17
Valid : 27/06/17
Stk : 612 DBTL
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 14/08/17
Sl. No. 3580
Valid : 10/08/17
Sl. No. 3081
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

সনা-সুদোকু - ৯৯০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 7 | 8 | 2 | 1 | 5 | 3 | 6 |
| 5 | 3 | 6 | 9 | 4 | 7 | 1 | 8 | 2 |
| 2 | 1 | 8 | 5 | 6 | 3 | 4 | 7 | 9 |
| 4 | 6 | 3 | 2 | 7 | 9 | 8 | 1 | 5 |
| 1 | 7 | 2 | 6 | 8 | 5 | 3 | 9 | 4 |
| 8 | 5 | 9 | 3 | 1 | 4 | 2 | 6 | 7 |
| 6 | 8 | 4 | 7 | 3 | 2 | 9 | 5 | 1 |
| 7 | 9 | 1 | 4 | 5 | 8 | 6 | 2 | 3 |
| 3 | 2 | 5 | 1 | 9 | 6 | 7 | 4 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-991**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | 2 | | | 7 | |
| | 6 | 8 | 4 | | | | | |
| | | | | 8 | | | | |
| | 2 | | 3 | 1 | 8 | | | |
| 7 | | | | | | | 6 | |
| | | 5 | | 7 | 9 | | | |
| | | | | | 2 | 8 | | 9 |
| 1 | 5 | | 8 | 6 | | 7 | | |
| | | | | | 4 | | | 3 |